# ভ্রষ্ট ভোট মাঙওইননা জিটন রাম মনঝি বিহার সি এম ওইবদগী ফম থাদোকখ্রে, নিটিশ ৱাশক লৌরগনি



পাটনা, ফেব্রুৱারি ২০ ঃ
বিহারদা নুমিৎ কয়ানিমরুম পোলিটিকেলগী ওইবা লৈতাদবা ফিভম লৈরকখ্রবা মতুং বিহার চীফ মিনিষ্টর জিটন রাম মনঝি ঙসি অয়ুক কনফিদেন্স মোসন্দা ভোট অমত্তা লৌনদনা চীফ মিনিষ্টর ওইবদগী ফম থাদোকখ্রে।

মীপুম খুদিংমক্তা য়াম্না ঙক্লা থোকখিবা মওং অমদা, মনঝিনা ঙসি অয়ুক পুং ১০ তাবা মতমদা মহাক্কী রিজিগনেশন পীশিন্নবগী-দমক রাজভাৱন্দা চৎখি। মহাক্না মিনিট ১৫ রোম গভর্ণরগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখি অমদি মহাক্কী ১ এনি মার্গ রেসিদেন্সতা অমুক হল্লকখি।

মনঝিনা রিজাইন তৌখিবা অসি য়াম্না এন্টি-ক্লাইমেক্স ওইবা ফিভম অমা লৈখি । মরমদি মহাক্না এসেমব্লিদা জনতা দলগী লুচিংবা ওইরিবা নিটিশ কুমার অসি মহাক্কী শক্তি পুম্নমক শিজিন্নদুনা মহাদলিট কম্যুনিতিদগী চীফ মিনিষ্টর ওইরিবা অমগী মফম লৌথোক্লুবা হোৎনবা অমনি হায়না উৎনিংবগী ফিভম লৈখিবনি।

ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) গী লেজিসলেটর ৮৭, ইনিদপেন্দেন্ট ৪ গা লোয়নননা মহাকপু শৌগৎনবা ৱারেপ লৌরবা মতুংদা বিহার এসেমব্লিদা মনঝিবু সপোর্ট তৌবা এম এল এ ১০৩ লৈখিবনি। মনঝিনা জে দি (য়ু) গী লিবেল এম এল এ ১১ গী সপোর্টসু ফংখি। তৌইগুম্বসুং নিটিশ কুমারগী কেম্পতা লৈবা এম এল এনা পুন্না ১৩০ নি।

নিটিশ কুমারবু সপোর্ট তৌরিবা এম এল এগী মশিং অসি মেম্বর ২৪৩ লৈবা বিহার এসেমব্লিদা হাফ মার্ক ওইরিবা ১৭০ গী মথকনি। মরক অসিদা, নিটিশ কুমারনা বিহারগী চীফ মিনিষ্টর ওইনা অমুক হল্লক্লবগী ফিভম অমা লৈরকখিবগা লোয়নননা ঙসি মহাক্না হৌখিবা চহীদা চীফ মিনিষ্টর ওইবদগী ফম থাদোক্লুবা লৌখিবা ৱারেপ অদু অরানবা খোঙথাং অমনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

মখুৎ লোন্নরদুনা মহাক্না বিহারগী মীয়ামদা থৌদৌ অদুগীদমক্তা এপোলোজাইস তৌখি। কৈদৌঙৈদসু ঐহাক্না অসিগুম্বা খোঙথাং অমা অমুক হন্না লৌররোই। ঐহাক্না ফ্রন্ট লমজিংনবগীদমক শেম শাদুনা লৈরে হায়না মহাক্কী রিবোল ওইরিবা জিটন রাম মনঝিনা চীফ মিনিষ্টর ওইবদগী ফম থাদোকখ্রবা মতুংদা ফোঙদোকখিবনি।

নিটিশ কুমার লাক্লিবা নোংমাইজিং নুমিত্তা অমুক হন্না বিহারগী চীফ মিনিষ্টর ওইনবা ৱাশক লৌরগনি। ষ্টেট গভর্ণমেন্টকে এন ত্রিপাথিনা মঙোন্দা বিহার এসেমব্লিদা লাক্কদৌরিবা মার্চ ১৬ তা মহাক্কী মেজরিটি অদু উৎননবা খঙহনখ্রে।

নিটিশ কুমারনা বিহারগী মীয়ামদা লাল্লে হায়জখিবা অসি অৰ্বিন্দ কেজ্রিৱালনা দেল্লিদা পাঙথোকখিবা মীখলগীদমক্তা কেম্পেন তৌখিবা মতমদা ইশ্যু তৌখিবা এপোলোজি অদুগী ফিভম লৈখি। কেজ্রিৱালনা কেপিটেলদা মহাক্কী টর্ম য়ৌদ্রিদ্রিঙৈ নুমিৎ ৪৯ নিগী মনুংদা চীফ মিনিষ্টর ওইবদগী ফম থাদোকখিবা অদুগীদমক মীয়াম্না ঙাকপিনবা হায়জখিবনি।

কেজ্রিৱাল অমসুং মহাক্কী আম আদমি পার্টি নত্রগা এ এ পিনা য়াম্না শিংথানিংঙাই ওইবা রিজল্ট ফংখিবগা লোয়নননা অমুক হন্না কেপিটেলদা গভর্ণমেন্ট শেম্বা ঙমখি।

নীংশিংবা য়াবদি, নিটিশ কুমারনা মহাক্কী পার্টি জনতা দলনা নেশনেল ইলেক্সন্দা হৌখিবা চহীগী মনুংদা চাউনা মায়থিখ্রবা মতুং মহাক্কী মহুৎ শিন্নবগীদত্তা মনঝিবু খনখি। নেশনেল ইলেক্সন্দা জে দি (য়ু) না শুপ্পগী পার্লিয়ামন্টেরি সিট ২ খক ফংখি। হৌখিবা থাগী মনুংদা মনঝি অসি নিটিশ কুমারবু অমুক হন্না বিহারগী চীফ মিনিষ্টর ওইনা হল্লকপা য়াহন্নবগীদমক্তা ফম থাদোক্লুবা খঙহনখিবনি।

মসিগী মরমদি পার্টিগী মাইকৈদগী বিহারদা চহী অসিগী লোইরমদাইদা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখলগী কেম্পেন চথনবগীদমক্তনি হায়বগী ৱাফম থমখি। মনঝিনা ৱাফম অদু য়াখিদে অমসুং মহাকপু পার্টিনা তান্থোকখি। মসিগী মতুংদা ঙসি অসি ভ্রষ্ট ভোট লৌনবা হোৎনখিবনি অদুবু মনঝিনা মহাক মায় পাক্লরোই হায়বসি ময়েক শেংবা ফিভম অমা লৈরকখিবনা ফম থাদোকখিবনি।

বি জে পিগী মাইকৈদগী মনঝিবু সপোর্ট তৌনবগী ৱাফম অসি মহাক্কী ওইনা মহাদলিটশিংগী মনুংদা য়াম্না শক্তি লৈবা ফিরেপ অদুগী খম্বাংনবা ফেক্টর অনীনা ওইহল্লকখিবনি। মহাদলিটশিং অসি য়াম্না লাইরবা অমসুং খুদোংচাবা ফংবা ঙমদনা কাশ অমা ওইনা বিহারদা লৈরকখিবনি। বি জে পিগী য়েক্লবা নম্বর ৱান ওইদুনা লৈরিবা নিটিশ কুমারগী ষ্টেটস অসিনা মরম ওইরগা বিহারদা পোলিটিকেলগী ওইবা লৈতাদবা ফিভম অসি লাকখিবনি।

বি জে পি অমসুং জে দি (য়ু) না মতম শাংনা লৈনরকখিবা এলাইন্স অদু নেশনেল ইলেক্সন মাংওইননা নিটিশ কুমারগী থৌশিলদগী তৎনখিবনি।

# ইস্লামিক ষ্টেট মিলিটেন্টশিংগী মরক্তা টেন্সন লৈরকপগী খুদম খরা লৈবা উরক্লে



বৈরুট, ফেব্রুৱারি ২০ ঃ
ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপনা মিদল ইষ্ট ফাওবা য়ৌনা মখোয়গী খোঙদাফম পাকথোক চাউথোকহন্নবা হোৎনরকপগা লোয়নননা সিরিয়াদসু অকনবা মওংদা ষ্ট্রগল চথুনা লৈরিবা মফম অসিদা তোঙান তোঙানবা ফ্রন্টশিংদা য়েক্লবা কয়াগা লান্থেংনরকপদা খোঙদাফম লৈরক্তবা অমসুং অপনবা কয়া লৈরক্লে। মসিনা মরম ওইরগা গ্রুপ অসিগী ফোরেন ফাইটরশিংগী রেঙ্কশিংগী মরক্তা পৱার ষ্ট্রগল তৌনরকপা অমসুং টেন্সন লৈবগী খুদম খরা লৈরে।

এক্সত্রিমিষ্টশিং অসি য়াম্না অকনবা ফোর্স অমা ওইদুনা লৈরি অমসুং গ্রুপ অসিনা হৌজিকসু ইরাক অমসুং সিরিয়াগী শরুক অহুম থোকপগী অমা চেৎনা পায়শিন্দুনা লৈরি। তৌইগুম্বসুং গ্রুপ অসিনা হৌখিবা চহীগী মনুংদা সিরিয়াদা মখোয়না টেরিটরি পাকথোক চাউথোকহল্লকখিবদগী হৌরগা ইহান হানবা ওইনা হায়রিবা লৈবাক অসিদা দিফেন্সিব ওইবা ফিভম অমদা লৈরকপা উরে।

য়ু এসনা লুচিংবা কোলিশন্না চথুরকপা এয়র ষ্ট্রাইক অমসুং গ্রাউন্দদা লান্থেংনরিবশিংগী মরক্তা ফেক্সন কয়া থোরকপদগী অৱাবা মায়োক্লরক্লি। মখোয়না অনৌবা চেলেঞ্জ কয়াগীদমক ষ্ট্রগল তৌবগা লোয়নননা টেন্সন লৈবগী খুদম খরা উরে হায়না বৈরুটতা লৈবা কর্নেজি মিদল ইষ্ট সেন্তরগী দাইরেক্টর লিনাখটিবনা ফোঙদোকখ্রে।

ইস্লামিক ষ্টেটপু লাকশিন্নবা হোৎনবদা কর্দিশ ফোর্সনা হৌখিবা থাগী মনুংদা অৱাং থংবা সিরিয়াগী ঙমখৈদা লৈবা টাউন কোবানিদগী তকথোকখ্রবা মতুং য়াম্না চাউনা নিংহন্নবা লৈরকখিবা ইস্লামিক ষ্টেট অসি কর্দিশ ফোর্সনা লাকশিন্নবা হোৎনরক্লি।

মতমদুদগী হৌনা ফোর্সশিং অসি মোদরেট ওইনা চৎপা সিরিয়ন রিবেলশিংগা খুৎশম্নদুনা হায়রিবা মফম অদুমক্তদা লৈবা খুঙ্গং ২১৫ অমুক হন্না লৌশিন্নবা হোৎনরকখি হায়না কর্দিশ কম্মান্দরশিং, এক্টিভিষ্টশিং লোয়ন লোয়নননা বৃটেনদ বেজ তৌবা মোনিটরিং গ্রুপ ওইরিবা দ সিরিয়ন ওবজার্ভেটরি ফোর হ্যুমেন রাইটসনা ফোঙদোক্লি।

অসুম্না কর্দিশ ফোর্সশিংনা খুদোংচাবা কয়া ফংখিবা অসিদগী ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপ অসিনা নোংচুপ ইথং থংবা শরুক ওইরিবা অলেপো প্রোভিন্সকী অকনবা মফমশিংগী মরক্তা পৱার লইন্দা অপনবা থোকহল্লে।

কর্দিশ-রিবেল ফোর্সশিংনা হৌজিক অকনবা মফমশিং অসিগী মনুংদা খরদা লাল থেংননবগী থাজবা থম্বা হৌখ্রে। মরু ওইনা কর্দিশ-রিবেল ফোর্সনা মিন্দিজ অমসুং জরাব্লটস লোয়ন লোয়নননা টর্কিগা বোর্দর ক্রোসিং ওইরিবা টলঅবায়াদ হায়রিবা পাক চাউরবা টাউনশিং অসিদা ইস্লামিক ষ্টেটশিং থেংননবা হোৎনরক্কদৌরি।

টর্কিগা ফাউনবা বোর্দর ক্রোসিং অসি এক্সত্রিমিষ্টশিংগী ওইনদি কর্মসকী ওইনা য়াম্না মরু ওইবা এভেন্যু অমনি। আই এস গ্রুপকী নোংচুপ ইথং থংবা ষ্ট্রোঙ হোলশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা অল-বাব টাউনগী অকোয়বদা এক্সত্রিমিষ্টশিংনা টেক্টিকেল ওইবা ৱিদ্রোৱেল চথুরি। অল-বাবতা লৈরিবা মীওইশিং মিলিটেন্টগী প্রেসর কা হেন্না ফংবা লৈত্রে।

# অনৌবা ত্রেন, পৱার প্রোজেক্টশিং অৱাং নোংপোক্কী কনেক্টিভিটি হেনগৎহল্লগনি ঃ নরেন্দ্র মোদি

ইটানগর, ফেব্রুৱারি ২০ ঃ
প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা নহরলাগুন অমসুং গুৱাহাটি অনীগী মরক্তা চেনগদবা ইন্টরসিটি এক্সপ্রেস অমসুং নহরলাগুন অমসুং ন্যু দেল্লি অনীগী মরক্তা চেনগদবা এ সি এক্সপ্রেস ত্রেন রিমোর্ট কন্ত্রোলগী খুথাংদা ঙসি ফ্লেগ ওফ তৌখ্রে। মসিদা নত্তনা প্রাইম মিনিষ্টরনা অরুনাচল প্রদেশকী নহরলাগুন অমসুং অসামগী লখিম্পুর দিষ্ট্রিক্ট মনুং চনবা হরমুতি অনীগী মরক্তা কিলোমিটর ২১.৭৫ শাংবা ব্রোদগোজ রেলৱে ত্রেক জাতিদা কৎথোকখ্রে।



অৱাং নোংপোক লমদম অসি অমগা অমগা শম্নবা ৱাৎপদগী চাউখৎ থৌরাংগী থবকতা লৈখাতাদুনা লৈবনি হায়না নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি ফোঙদোকখিবগা লোয়নননা সেন্তর লৈঙাক্কী মাইকৈদগী রিজন অসিগী মনুংদা লৈরিবা ষ্টেটশিংগা লোয়নননা চপ চানা থবক তৌমিন্নদুনা চাউখৎ থৌরাংগী লমদা অপনবা ওইরবশিং লৌথোক্লুবা হোৎনগনি হায়খি।

ত্রেন অনীমক ফ্লেগ ওফ তৌখিবা নরেন্দ্র মোদিনা পৱার প্রোজেক্ট অমগী ফাউন্দেশন তৌখি। অরুনাচল প্রদেশনা ঙসিদি মোমেন্তম অমসুং ইনর্জি অনীমক ফংবা ঙল্লে হায়বা ৱাফম মোদিনা থমখি।

ঙসি লোঞ্চ তৌরিবা প্রোজেক্টশিং অসিনা কনেক্টিভিটিদা হেনগৎহল্লগনি অমসুং ইলেক্ট্রিসিটি পীবা ঙল্লগনি। মসিনা মরম ওইরগা অৱাং নোংপোক লমদমদা থেংনরিবা লাইরবা হায়বসি থেংননবগী অকনবা খুৎলায়শিং ওইরগনি হায়বা ৱাফমসু মোদিনা ফোর্মল ওইনা অরুনাচল প্রদেশপু লৈবাক অসিগী রেলৱে মেপতা পুশিল্লকখ্রবা মতুংদা হায়খি।

সেন্তরগী মিনিষ্টরশিং অমসুং সেনিয়র ওফিসরশিংনা অৱাং নোংপোক লমদমদা লৈরিবা ষ্টেটশিংগা লোয়নননা চাউখৎ থৌরাংগী থবক্তা অপনবা লৈরিবশিং লৌথোক্লবা থবক তৌমিন্নরি। অরুনাচল প্রদেশনা চাউখৎপা হায়বসি ইন্দিয়া চাউখৎকনি হায়বা ৱাফম মোদিনা থমখি।

মহাক্না ১৩২ কেভি পৱার ত্রান্সমিশন অমসুং দিষ্ট্রিব্যুশন সিষ্টম প্রোজেক্টকী ফাউন্দেশন ষ্টোন য়ুংখি অমসুং ইটানগর ৱাটর সপ্লাই প্রোজেক্টকী মায়খুম হাংদোকখি। অনৌবা ত্রেন অসি অরুনাচল প্রদেশকী ২৯ লক শুবা ষ্টেটহুদ দে থৌরমদা ষ্টেট অসিগী মীয়ামদা থোইদোক হেন্দোকপা খুদোল অমা ওইরে হায়না মোদিনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

ষ্টেট কেপিটেল অমসুং নেশনেল কেপিটেল শম্নহল্লিবা অনৌবা ত্রেন অসিগা লোয়নননা টুরিজম ইন্দষ্ট্রিজ অসি অথুবা মতমগী মনুংদা চাউখৎহন্দুনা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী ভিজিটরশিং লাকপা ঙল্লগনি হায়খি।

ষ্টেট অসিগী ওইনা হায়দেল পৱার পোটেন্সিল য়াম্না চাউনা লৈ হায়রদুনা প্রাইম মিনিষ্টরনা নেপাল অমসুং ভুটান মখোয়গী ইকোনোমিক ত্রান্সফোর্ম তৌনবগীদমক হায়দ্রো পৱার হেন্না পুথোক্লুবা মতৌ করম্না হোৎনরিবনো হায়বগী খুদমশিং পীখি।

# মিনিষ্ট্রি ওফ পেত্রোলিয়ম এন্দ নেচরেল গ্যাসগী দোকুমেন্ট লীক ওইহনবগা মরী লৈননা মীওই ৭ ফাখ্রে


REUTERS

ন্যু দেল্লি, ফেব্রুৱারি ২০ ঃ
মিনিষ্ট্রি ওফ পেত্রোলিয়ম এন্দ নেচরেল গ্যাসগী দোক্যুমেন্টশিং লীক ওইহনবদা চেন্নবগীদমক মীওই ৭ ফাখ্রে। ফারবশিংগী মনুংদা হান্না বিজনেস জর্নেলিষ্ট ওইরম্বা অমসুং পেত্রো ৱেবসাইট চলাইবা অমা, মেলবোর্নদা বেজ তৌবা ইনর্জি কন্সলটেন্ট অমা অমসুং গভর্ণমেন্ট ওফিসল অমা য়াওরি।

দেল্লি পুলিস কম্মিস্নর বি এস বাসিনা এক্ক্যুজ ওইরিবা মীওইশিং অসিনা মরন্নাইগী নত্রগা কম্পেনি অমগী থবক তৌই হায়বসি চুম্ব্রা হায়বগী মতাংদা থিজিন হুমজিনবগী থবক চথুরকপগী মতুং ইন্না মীওইশিং অসি ফাগৎখিবনি।

ফাগৎলবা মীওইশিং অসি মিনিষ্ট্রি অসিদগী সেন্সিটিভ ওইবা দোক্যুমেন্টশিং লৌথোকই হায়বগী চার্জ থাঙ্গৎখ্রে অমসুং মখোয়গী মথক্তা থাঙ্গৎলিবা চার্জশিংগী মনুংদা রিলাইন্স ইন্দষ্ট্রিজ লিমিটেদ য়াওনা মকোক থোংবা বিজিনেস হাওসশিংদা দোক্যুমেন্টশিং অদু য়োন্থোকপগী থবক তৌই হায়বা য়াওরি।

ওইরক্লিবা দিভলপমেন্ট অসিদা রিএক্ট তৌরদুনা, রিলইন্স ইন্দষ্ট্রিজনা ষ্টেটমেন্ট অমা থোক্লদুনা কম্পনিগী মাইকৈদগীদি ইন্টরনেলগী ওইবা থিজিন হুমজিনবগী থবক অমা চথুরে হায়খি।

দেল্লি কোর্ট অমনা পুলিস কষ্টদিদা লৈরিবা এক্ক্যুজশিংগী মনুংদা মীওই মরি থা অসিগী ২৩ ফাওবা পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ লৌথখ্রে। মসিগা লোয়নননা অতোপ্পা অহুম্না চয়োল অনীগীদমক জুদিসল কষ্টদিদা থমখ্রে।

অতোপ্পা মীওই অমদি লো-ইনফোর্সমেন্ট ওথোরিটিজনা দিটেনদ তৌখিবনি হায়না নোটিশ থোক্তুনা খঙহনখ্রে। অতৈ অহেনবা অকুপ্পা মরোলশিং অদুদি ঐখোয়না খঙবা লৈতে। হৌজিক হৌজিক ইন্টর্নেলগী ওইবা থিজিন হুমজিনবগী থবক অমা ঐখোয়গী রোবটর্স ইন্টর্নেল ষ্টেনদর্দগী মতুং ইন্না চথুরি। ৱাফম অসিলোগী মতুং ইন্না থিজিন হুমজিনবগী থবক্তা লৈরি অমসুং ঐখোয়না হেক ঙম্বা মওং খুদিংমক্তা কোওপরেট তৌননবা চপ চানা লেপলি।

ঐখোয়না মরু ওইবা ৱাফমশিংদা হায়রিবা মিনিষ্ট্রি অসিগা লোয়নননা ইন্টরনেশনেল আর্বিত্রেশন্দা লেপ্পনবগী শেম শাদুনা লৈরে। ঐখোয়গী অমত্তা ঙাইরবা থাজবা অদুদি য়াম্না তশেং তশেংবনি অমসুং ঐখোয়গী লিগেল রাইটশিং অমসুং আর্বিত্রেটরশিংনা থম্লকপা ৱাফমশিং অদুগী চপ চাবা ৱারোইশিন লৈহনগনি হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তারি।

পেত্রোলিয়ম এন্দ নেচরেল গ্যাসকী মিনিষ্ট্রিগী মরু ওইবা দোক্যুমেন্টশিং লীক তৌবগী ৱাফম অমা লৈরকপা অসিগী মতাংদা দেল্লি পুলিসনা চপ চাবা মওংদা থিজিন হুমজিনবগী থবক চথুরিবা অসিনা অশেংবা অমসুং অচুম্বা অদু পুথোকপা ঙমগনি হায়বগী ৱাফম বি এস বাসিনা মখা তানা থমখি।

দরখাষ্ট কৌজরি / ꯗꯔꯈꯥꯁ꯭ꯠ ꯀꯧꯖꯔꯤ

Regd. No. KPL/232/Com. Estd. of 2013
Government of Manipur

| Sl. No. | NAME OF POST | POST | QUALIFICATION | SALARY |
|---|---|---|---|---|
| 1. | INDIAN ARMY RECRUITEMENT RALLY FOR MARCH, 2015 | | | |
| i. | G.D, Tradman | | VIII - X | |
| ii. | Technical | | VIII - X | |
| 2. | DISTRICT WISE VACANCY OF BANKING STAFF IN MANIPUR (6 Month Training With Stipend) | | | |
| i. | Account Opening Staff, Loan Recovery | 13 | XII – Graduate | 12,000 – 22,000 |
| ii. | Sitting Staff, Mobile Banking | 11 | XII – Graduate | 16,000 – 25,000 |
| iii. | ATM Security Guard | 5 | VIII - X | 10,000 – 18,000 |
| 3. | DIRECT JOIN, SEMI-GOVT./NGO,MICRO FINANCE OFFICE (100% Success) | | | |
| i. | Security/Gunman, Peon, Driver | 33 | VIII - X | 5,000 – 8,500 |
| ii. | Grass Cutter/Cook, Chowkidar | 15 | VIII - above | 7,500 – 10,000 |
| iii. | Reception, Attendant, L.D.C | 8 | VIII - above | 4,500 – 7,500 |
| iv. | Loan Recovery | 7 | X – XII | 6,500 – 10,000 |
| 4. | HOSPITAL, MNC COMPANY, OFFICE STAFF | | | |
| i. | Staff Nurse (GNM/ANM), X-Ray | 12 | X – XII | 4,500 – 8,500 |
| ii. | Computer Operator, Data Entry | 18 | X – XII | 8,500 – 15,000 |
| iii. | B.P.O, Assistant Manager | 6 | XII – Graduate | 12,000 –20,000 |
| 5. | AIRPORT POST VACANCY | | | |
| i. | Air Ticketing Staff | 10 | X – XII | 12,000 – 18,000 |
| ii. | Ground Staff, Airport Electrician | 18 | X – XII | 17,000 – 25,000 |
| iii. | Cargo Driver, Loader | 20 | VIII – X | 16,000 – 22,000 |
| 6. | ইশাগী অহাংবা মতমদা Extra – income তানীংবা, Student, Housewife, un-employed, Employed শিংদগী দরখাষ্ট কৌজরি. Qualification: VIII – above, Income : 10,000/- - 25,000/- per month. | | | |

Interview : 02/03/2015
# 8131885255/8014762842

Sd/-
Bright Community Centre
Wahengbam Leikai, Near Bheigo Hotel

HL-P/2391/21,23,25,26,27,28

# সিজ ফায়র লৈরগসু নোংপোক থংবা য়ুক্রেন্দা খুৎ থোক্লরি



কিএব, ফেব্রুৱারি ২০ ঃ
য়ুরোপকী লৈবাকশিংগী অনৌবা থৌশিলনা সিজ ফায়র অমা লেংদনা লৈহন্নবা হোৎনবা ওইরগসু ঙসি নোংপোক থংবা য়ুক্রেন্দা খুৎ থোক্লবগী থৌওং চথুরি।

য়ুক্রেনিয়ন মিলিটরিনা ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্না, প্রো-রসিয়ন সেপরেটিষ্টশিংনা হৌখিবা পুং ২৪ গী মনুংদা রোকেটশিং, আর্টিলরি অমসুং অর্মর ভেহিকলশিং শিজিন্নদুনা গভর্ণমেন্ট লান্মীশিংনা খুদুম চল্লিবা পোজিশনশিংদা ৪৯ লক এটেক চথুরকখ্রে হায়খি।

এটেক চথুরকখিবগী মশিং অসিনা উৎলিবদি টেরোরিষ্টশিংনা মখোয়গী নোংমৈশিং অদু মপুং ওইনা সাইলেন্স ওইনা থম্বা পামদ্রি হায়বদু তাক্লে হায়না য়ুক্রেনিয়ন মিলিটরিগী ৱাঙাংলোই এনাটোলি ষ্টিলমার্কনা হায়খি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, মারিওপোল দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা সেল্লিং খরা চথুদুনা লাক্লি। অজোব সমুদ্রগী পরিংদা গভর্ণমেন্টনা খুদুম চনশিল্লিবা অয়াম্বা টেরিটরিশিংদা অসুম্না সেল্লিং তৌশিল্লকপা অসিনা মরম ওইরগা কিএবগী মাইকৈদগী সেপরেটিষ্টশিংনা মথংগী ওফেন্সিব অমগী মীৎয়েংফম ওইরকপা লৈগদ্রা হায়বগী মীপাইবা লৈরক্লে।

রিবেলশিংনা গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংবু এটেকশিং চথুরকই হায়না মরাল শিরকখি। রিবেলশিংনা খুদুম চনশিন্দুনা লৈরিবা দোনেস্কগী অকনবা মফমশিংদা লৈবা রেসিদেন্সল এরিয়াশিং য়াওনা এটেকশিং অসি চথুরকপনি হায়খি।

ঙরাং শগোলশেল নুমিত্তা সেল্লিং তৌশিল্লকখিবা থৌদোক্তা নুপী অমা শিখি হায়না সেপরেটিষ্ট প্রেস সার্ভিস দাননা ফোঙদোরকখি।

ক্রস অসি হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিত্তা চৎনহল্লকখিবদগী য়াম্না শাথিবা মওংদা খুৎ থোক্লরকখিবা অসি ষ্ট্রেটেজিক ওইবা রেল হব ওইরিবা দেবাল্টসেবেগী মনুং অমসুং অকোয়বদা খুৎ থোক্লরকখিবা অসি হৌখিবা য়ুমশকৈশ নুমিত্তা য়ুক্রেনিয়ন ফোর্সশিং লৌথোকখিদ্রিঙৈ মমাংদনি।

ফোরেন ন্যুজ এজেন্সিগী কোরেসপোন্দেন্ট অমনা দেবাল্টসেবে মনাক্তা লৈবা ফ্রন্ট লাইন টাউন ওইরিবা ভহলেহিস্কগী মনাক্তা লৈবা সেপরেটিষ্ট চ্যেক পোইন্ট অমদগী ঙসি অয়ুক 'গুদ ৱোল্ফ' হায়না থাবা টেঙ্ক অমা থৌজিল্লকপা উখি। মসিনা পীরিবা ইঙ্গিৎতি এরিয়া অসিদা মপুং ওইনা খুৎ থোক্লবা লেপ্পা লৈরত্ত্রি হায়বসিনি।


পনবা য়াই, ফ্রান্স, জর্মন, য়ুক্রেন অমসুং রসিয়াগী লুচিংবশিংনা হৌখিবা শগোলশেল নুমিত্তা টেলিফোন্দা সিজ ফায়র অসি লেংদনা লৈহন্নবা অনৌবা থৌশিল অমা লৈহন্নবা য়ান্নখিবনি।

লৈবাক ৪ গী ফোরেন মিনিষ্টরশিংনা নোংপোক থংবা য়ুক্রেনগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্ননবা মথংগী চয়োল ফাওবগী মনুংদা উন্নরবা য়াই হায়না থাজনরি।

য়ুক্রেনিয়ন গভর্ণমেন্টনা লৈবাক অসিগী নোংপোক থংবা শরুক্তা হৌজিক হৌজিক খুৎ থোকনরিবা অসিগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লদুনা রসিয়াগী টেঙ্ক কয়া অমা থৌজিল্লকপগী ফিভম উরে হায়না ফোঙদোরকপা লৈখ্রবনি।

রসিয়ানা শৌগৎপা সেপরেটিষ্টশিংনা য়ুরোপিয়ন লৈবাকশিংগী মাইকৈদগী থৌশিল অমা য়াৎতুনা থল্লক্লিবা সিজ ফায়র অসি মখোয়না খুদুম চনশিল্লিবা এরিয়াশিংদদি চৎনরোই হায়বগী ৱাফম থম্বা লৈরকখি। সেপরেটিষ্টশিংনা সিজ ফায়রগী ৱাফমসি চৎনরগনি হায়না য়ানখ্রবা মতুং পুং খরগী মনুংদা য়ুক্রেনিয়ন গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংনা মখোয়বু কোয়শিন্দুনা লৈরিবা মফমশিংদা এটেকশিং চথুবা হৌরকখি। মসিগী মতুংদা লৈবাক ৪ গী লুচিংবশিংনা অমুক হন্না য়ুক্রেনগী মতাংদা ৱা খন্ননবা মীফম পাঙথোক্লুবগী ফিরেপ লৌরকখিবনি।

ꯅꯨꯡꯉꯥꯏꯕ ꯐꯣꯡꯗꯣꯛꯆꯔꯤ



## নুংঙাইবা ফোংদোকচরি

দাইবেতিস ফহনবগীদমক্তা ওজাবু থম্মোয় শেংনা থাগৎচরি।

ঐগী হকচাংদা মতম কুইনা দাইবেতিসনা নাদুনা লৈরম্বা অদু - **এমভি কয়ামুদ্দিন ফুন্দ্রেময়ুম ৮৫৭৫৮১৪৭২০/৮৪১৩৮৭০০২৭** ময়াং ইম্ফাল বেঙ্গুন কোঞ্চাক বাজারদা লৈবা কবিরাজ অসিনা লায়েংবীবদগী ঐ হৌজিক মপুং ফানা ফরে। মরম অসিনা এমভি কয়ামুদ্দিন পাইল ওজাবু থাগৎচরি। লোয়নননা ঈশ্বরদা থৌনিজরি।

**থাগৎচরিবা:-** *Thokchom Sakhitombi Devi*
*Bashikhong Wangkhei Loumanbi Mapal*

HL-P/3351/21

## ꯇꯧꯁꯤꯟꯅꯕ/ লায়েংজরি (DR.(VAID) R N GUPTA)

**উনশাগী লায়না, অঙৌবা পকপা, নুংশং, গ্যাষ্টিক, ফিনুংগী অনাবশিং, নাকোংগী প্রোব্লেম, শমগী প্রোব্লেম, তাং-তাং চিকপা অমসুং খ্বাং নাবা অসিনচিংবা অনাবশিং**

**(অঙৌবা পকপা)**
হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্না ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্না লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

**(তাং-তাং চিকপা)**
তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

**(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)**
দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থরক্কনি। ফম্বী চাং হন্থরক্কনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থারক্কনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

**(নুংশং)**
নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্লে।

**(গ্যাষ্টিকী প্রোব্লেম)**
পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং ভসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীদুনা তানবিয়ু।

**নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু**

**(নুপাগী প্রোব্লেম)**
ফম্বী পাবা, নুপাগী ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়নননা কছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্কচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

**(নুপীগী প্রোব্লেম)**
নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্কচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।

**(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)**
না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

**(শমগী প্রোব্লেম)**
শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাক্কচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

**(য়ু করম্না থাদোক্কনি)**
য়ুনা এদিক্ট ওইদুনা অদোমগী ফেমিলিদা অৱাবা ওইরবদি অথুবা মতমদা লাকপীদুনা তানবীয়ু

**(গুপ্তা টুঠ পাৱদর (য়াগী হিদাক)**
পাৱদর অসি শিজিনরগা অমদি য়া নাবা, ঈ থোকপা, য়ারি পোমখৎপা, য়া মুশিনবা নত্রগা হঙ্গামপাল কাশিনবা ফবা ঙম্মী অমদি য়া ঙৌনা অমসুং শেংনা লৈগনি। য়ারি নাই চাবা ফগনি।

* মমল লুপা ৪০ খক্তনি। হায়রিবা হিদাক অসি অদোম্না লৈবা অমসুং য়োনবীবা ঙমগনি নহাক্কী লোকেলিটিদা। য়া মখোং শেংনা থম্বা ঙমগনি। * কম্মিশনসু পীজগনি।

**DR.(VAID) R N GUPTA (396),
Khuyathong Road, Kwality Wall Ice Cream
Building 1st Floor, Khuyathong, Imphal-795001**

HL-B/2210/17/1-22/2



HL-B/2205/13/1-22/2